# ফৌদা তাগনবা তীল অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ -৩

ডো. ৱাইখোম জিতেন










উশিংশা পান্বী তীল (Gundhey Bug) :

তীল মখল অসিনা ফৌদা নত্তনা চুজাক, চুনচিংবা মহৈ-মরোংশিংসু মাঙ তাকহনবা ঙম্বা তীল মখলনি। তীল মখল অসিগী মরূমদগী ওনবা কুইদ্রিবা মচা অমদি মপি অনীমক্লা পান্বীগী মনা অমদি মহৈদগী মহী চুপথোক্তুনা পান্বীশিংবু মাঙ তাকহল্লি। তীল মখল অসিনা তাবা লৌফমদা নমথীবা মনম অমা নমই। মরম অসিনা মসিবু উশিংশা পান্বী তীল কৌরিবনি।

তীল মখল অসিগী মপি অমদি মচা অনীমক্লা ফৌনা মখোম হল্লকপা মতমদা ফৌ মরূশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মহীশিং চুপথোক্তুনা ফৌ মরূ চংবা ৱাৎহল্লি নৎত্রগা ফৌ অদু মপূং ফানা ফৌহাম ওইহল্লি। তীল অসিনা চুপথোকখ্রবা ফৌ মরূশিং অদুদা অমুবা মচুনা ফীবাল ওইবা অপিকপা মখুল লৈবা থেংনবীগনি। তীল অসিনা লৌফম অমবু মপূং ফানা মাঙ তাকহনবদি মরু ওইনা লৌকোল অদুদা হৌরিবা ফৌশিংদগী ঙনখৎপা/থেংথনা লোকপা হায়বদি লৌকোল অদুগী ফৌশিংগা মান্নদনা লোকপা লৌফম থেংনগনি। তীল অসিগী মশীং হন্থহন্নবগীদমক তীল অসিনা চংবদি য়াগদবা থোকপদি য়ারোইদৌবা মীংশেলগী উপুশিং শেন্বীরগা মনুংদা মৈ থানবীরগা নুমিদাংগী মতমদা লৌফমদা থন্বীবদা য়াম্না কান্নগনি। মসি নৎত্রগা শীজিন্নবা লোইখ্রবা ঈশিং হাপ্লকপগী প্লাষ্টিক বোট্তলগুম্বদা তীলদি চঙবা য়াগদবা থোকপদি ঙমলোইদৌবা মওংদা শেন্বীরগা ৱাইখু অপূন্বা মচেৎ মচেৎ হাপ্পীরগা ফাদোকপসু য়াই। করিগুম্বা হীদাক কাপথোকপীগে হায়রবদি Dichlorovos 76% হায়রিবা হীদাক অসি মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমা পাক চাউবা লৌফমদা হীদাক অসিগী মিলিলিটর ১০০না কাপথোকপীদুনা ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙমই।

কৌজেং (Grass Hopper) :

তীল মখল অসি পান্বীগী মনা অমদি ফৌ চরোং চীকথৎপা মখলগী তীলনি। তীল মখল অসিগী মচা অমদি মপি অনীমক্লা পান্বীশিংবু মাঙ তাকহনবা ঙমই। তীল মখল অসি লৈবাক্তা মরুম কোকপা তীলনি। তীল অসিনা মরূমদগী মচা ওইরবা মতুং থা অনীমুক্কী মতুংদা মপূং মরৈ ফাদুনা অনৌবা মরূম অমুক কোকই। লৌ উনরিবা লৌফমগী অহাঙবা মফমশিং/লৌরিগুম্বদা কৌজেং মরূম কোকই। কুমগী অহানবা নোংজু মতুং হাপ্তা অমমুক ফারকপদা কৌজেং মরূমদগী মচা ওল্লকই। কৌজেং মরূমদগী মচা ওল্লবা মতুং হাপ্তা অনীমুক্তি কৌজেং মচাশিং অদু কা হেন্না লেংগন্দে। মরম অসিনা হীদাক শীজিন্নরগা কৌজেং মচাশিং অদু লায়না মাঙহনবা ঙমগনি। অসিগুম্বা মতমদা হীদাক কাপথোকপীরবদি লৌরি অমদি লৌফমগী অকোয়বদা লৈবা লমলেম নৎত্রগা ঈশিং খোংলমশিংতমক হীদাক কাপ্লগা য়াগনি। অসিগুম্বা মতমদা Chlorpyriphos 20% EC হায়রিবা হীদাক অসি মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। কালেন য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৌরি অমদি লৌফমগী অকোয়বদা লৈবা লমলেমশিং লৈবাক মথক মখা ওন্দুনা তীল মরূমশিং মাঙ তাকহনবা য়াই। ফৌনা হৌখ্রবা মতুং অমদি ফৌনা মখোম হল্লক্লবা মতমদা ওইরবদি Malathion 5% dust হায়রিবা হীদাক অসি লৌ পরি অমগী লৌফমদা কেজি ১৫ শীজিন্নবা য়াই।

Rice Hispa :

তীল মখল অসি য়াম্না পিকপা হিগোক মচু ওইরপ তৌনা মুবা অদুগা থরাইগোকপীগুম্না অথাবা মকুগী মসা পানবা তীলনি। তীল মখল অসিগী মপিগী অথাবা মকু অদুদা অপিকপা তীংখংগুম্বা শরুক ময়াম পাল্লি। তীল মখল অসিগী মখোঙ পান্দবা তীল মচাশিং অদু ঐখোয়না লায়না হেক্তা উবা ঙমদে। মরমদি তীল মচাশিং অদু ফৌনাগী মনুংদা চংদুনা লৈ। তীল মখল অসিগী মপি অমদি মচা অনীমক্লা ফৌ পান্বীবু মাঙ তাকহল্লি।

তীল মপিনা ফৌনাগী অশংবা শরুকশিং চাথোকখিদুনা ফৌনাদা অঙৌবা পরেং পরেং লৈবা থেংনগনি। তীল অসিনা ফৌনা পিক্লিঙৈ লৌহোন ওইরিঙৈদগী হৌরগা লৌফমদা লিংথোক্লবা মতম ফাওবদা শন্দোকই। তীল মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবগী লৌহোন ওইরিঙৈদা লৌহোন অদু ঈশিং থুমজিনহল্লগা তীল মপিশিং অদু মচি অমদা পূন্না তাওশিলহল্লগা খোমজিন্দুনা মাঙহনবীবা য়াই।

তীল মখল অসিগী মপি অমা নৎত্রগা তীলনা শোকহল্লবা মনা ১-২ ফৌ কাংখুল খুদিংদা য়াওরবদি শোয়দনা হীদাক কাপথোকখিবা য়ারে। তীল মখল অসিগী শীজিন্নবা য়াবা হীদাক্তি Chlorpyriphos 20% EC মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা নৎত্রগা Malathion 50% হীদাক মিলিলিটর ২ ঈশিং লিটর ১দা য়ানবীরগা কাপথোকপীবা কান্নগনি।

ফৌ মরাদা পোমথোকপী (Root Knot Nematode) :



নেমাটোদনা ফৌগী মরাদা আলু মচা মচা তম্বগুম্না মরাগী শরুকশিং অদু মরূম মরূম পোমখৎপা থেংনগনি। মপূং ওইনা ঈশিং তুংহন্দুনা থম্বদা নাতে চাদবা লৌফমশিংদনা নেমাটোদনা তোয়না শোকহল্লি। নেমাটোদনা শোকহল্লবা ফৌ পান্বীশিং চাউদম থিনগনি। লোয়ননা নৌনা ইনখৎলক্লিবা মচাশিং অদু মওং মরীল চুমলোই।

নেমাটোদতগী খরা মখৈ ঙাকথোক্লবা লৌফম অদু ঈশিং অদুম তুংহন্দুনা থম্বীগনি। নেমাটোদনা শোকহনখ্রবা লৌফম অদু কালেনগী মতমদা খরা তোয়না খোইবীগদবনি। লৌফম অদুদা ৱাই, হোরাই মকুপ নৎত্রগা নাপী-শিংবীশিংগী লেমহৌখাকশিং হাপ্পীরগা খোইজিনবীগদবনি। ফৌ হৌরিঙৈদা নেমাটোদতগী লাকশিন্নবগীদমক লৌফম অদু ঈশিং থুমহন্দুনা থমগনি অমদি Carboferan 10 G লৌ পরি অমদা কেজি ১০ চাইবীরগসু য়াই।

ৱারোইশিন :-

ফৌদা তোইনা তাগনবা তীল মখলশিং অসি মশক মুন্না খঙদোকপীদুনা অদুগা তীল মখল অদুগা চানবা ঙাকথোক্লবা থৌরাং পায়খৎপীবগা লোয়ননা চান্নবা হীদাক লাংথক, মখোয়গী ঈশিংদা য়ানগদবা চাং অমদি হীদাক কাপ্পীগদবা মতম চুম্না খনবীরগা হীদাক লাংথক শীজিন্নবীদুনা লৌফমদা চুমদবা হীদাক নৎত্রগা য়ানগদবা চাং চুমদবদগী হঞ্জিন হঞ্জিন হীদাক কাপকদবদগী ঙাকথোকপা মতম য়ৌরে। ●

# চীংউলোন অমসুং খুন্নুংলোনগী খেন্নবা ৱাহন্থোক

- থোংঙাম নব নুপা -

ইরমদম অসিগী লম্মীং, চীংমীং, মীঙ্গৌ-থাকৌনচিংবা অরিবা মতমদগী লৈজরম্লবা পুম্নমক চীংউলোন্দা ৱাহন্থোক পুবীগনি। লোয়ননা তুংদা থোক্লক্কদবা ৱাফমশিং মায়চৌশিংনা থন্বীরম্বা পাউরৌ পাউতাক পূন্বা অসিসু চীংউলোন্দা ৱাহন্থোক লৌবীগনি। অদুগা খুন্নাই অসিনা চৎনরিবা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা পাউরৌ ওইবশিংদি খুন্নুংলোন অসিগী ৱাহন্থোক ওইনা লৌবীগনি। মসি মফম মতমগী মতুংইনবনি।

ৱাহন্থোক চীংউলোন্দা লৌগদববু খুন্নুংলোন্দা লৌবীরগদি অরানবা মায়কৈদা হেক হেক চৎলি। মরম অসিনা ঐখোয়না চেকশিনগদবনি। খুদম অনী/অহুমদং নৈনদুনা য়েংলসি। ‘মতম খোঙলৈ তাকপা পুয়াশিং’ কৌবা লাইরিক মনিজাওবগী, অফোংবনা লোচন মনি, খৃ: কুম ১৯৮২, অনীশুবা খৃৎনম। হায়রিবা লাইরিক অসিগী লমায় ৪৬তা অসুম্না ইরি, অঙৌবা ফৈশা শাবদগী মকোক মঙা তাগদবনে। অসিগী ৱাহন্থোক খুন্নুংলোন্দা য়েংসি - অঙৌবা = বৃটিশশিং কুচু ঙৌই অদুনা অঙৌবা হায়না লৌখ্রে। ফৈশা শাবা = বৃটিশশিংনা মকোক্তা ‘তুপী উপ্পী, মসিবু ফৈশা শাবা ওইনা লৌবীখ্রে। মকোক মঙা = মীকোক মঙা হায়না পাবীরে। তাগদবনে = হায়বা অসিবুনা মকোকশিং অদু কক্তুনা হাৎপা হায়না ৱাহন্থোক লৌবীখিবগুম তৌবনা, বৃটিশ মচা মঙা, বেংগুন খোংবা অমবুনা পোৎহাপ ওইনা মখোয় তরুকপু হাৎতোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা বৃটিশ অমসুং মণিপুর লান শোক্লখিবা অদুদা ইরমদমগী থৌনা ফরবা কয়া কয়াগী থৱায় কৎপীখ্রে। থৌদোকসি খুন্নুংলোন্দা ৱাহন্থোক লৌবীখিবনা অরানবা মায়কৈদা চৎখ্রবরা? হায়বসিনি থমজরিবা।

চীংউলোনগী ৱাহন্থোক :- অঙৌবা = ইরমদমসিগী লৈঙাকলোইশিংনা লৈঙাকপা মতমদা অচান-মীরাই থমদবা, শেঞ্জা থুমজা তৌদবা, অরানবা থবক তৌদ্রবা, তশেং তশেংনা মপুকচেল শেংনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মতমবু অঙৌবা কৌই।

ফৈশা শাবা = মপুকচেল শেংবা, অচুম্বা চৎপা মীবু অফবা (ফৈ) + খুন্নাই (শা) হায়বগী ফৈ + শা = ফৈশা, অসুম্না ওইববু শাবা হায়বগী ‘ফৈশা শাবা হায়বনি। মকোক মঙা = মখোয় মীকোক মঙা ওইখি। মতম অদুদি ইরমদমসি বৃটিশনা নীং-তম্বা পীরম্লবা খৃ: কুম ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দগী কুম ২, থা ২ নীংতম্না পাল্লবদা খৃ: কুম ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ নুমিৎ অসিদদি নম্ফু - হাফুদা ইন্দিয়াদা তিনখ্রে। ইরমদমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা চীফ কম্মিস্নর লৈরদুনা লৈঙাকখ্রে, মদুদা অহানবা চীফ কম্মিস্নর রাহুল রাৱাল অমরসিংনা ওইরে। মহাক্না চীফ কম্মিস্নর ওইবসি নুমিৎ ৪ খক ওইরমখি। অনীশুবা চীফ কম্মিস্নরনা হিমট সিংহ কে মহেশ্বরীনা ওইরে। অহুমশুবা চীফ কম্মিস্নরনা ঈ পি মুননা অমুক ওইরক্লে। খৃ: কুম ১৯৫২গী এপ্রিল ৬তগীনি ঈ পি মুন মহাকসু মতম শাংনা ওইখিদে। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২২দা অমুক মহুৎ শিন্দুনা শ্রী রামেশ্বর প্রসাদ ভারগৱানা চীফ কম্মিস্নর মরিশুবা ওইরে। মথং মঙাশুবা চীফ কম্মিস্নর পী সি মেথ্যুননা খৃ: কুম ১৯৫৫গী ফেব্রুৱারী ১৩দগী ওইরকপনা খৃ: কুম ১৯৫৮গী এপ্রিল ২৬ তা ফম থাদোকই। মখোয় মঙা অসিগী মতমদা ইরমদম অসিগী লৈঙাক্লা শেঞ্জা থুমজা, অচান-মীরাই লৈখিদে। মতম অসি ইরমদম ইন্দিয়াগী মখাদা পার্ট সী হায়বা লম অমা ওইনা লৈরি। মতমদুদা ইরমদমগী লাইরিক হৈবা মীশিংসু য়ামদবা ওইরিবনি। মরমসিনা লৈঙাক্লা লাইরিক হৈবা মীওই (বি এ/এম এ ) শিং কৌ কৌদুনা মখোয় মখোয়গী মতিক চাবা য়েং য়েংদুনা ফম পীদুনা লৈঙাক্কী থবক তৌহল্লি। ৱানোম্বা, ৱাচৎপা, শেঞ্জা থুমজা তৌনদে। অসুম্না মখোয় মঙাগী মতম ওইখিবদো মখোয় মঙাগী মকোক্লা ৱাখল লৌশিং তাবা ওইরে। মসিবুনে অঙৌবা মকোক মঙা তাবা হায়রিবসি। মসিগী মতুংদদি ইরমদম অসি ঈহৌ কয়া তৌবদগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরক্লবা মতম অসিদদি করি ওইরক্লে।

লমায় ৪৭, হনচীং চীংমৈ ইন্না কুম্লকপা ফিঙাং শেৎপা তরেৎ কুম্লক্তুনা নিংথৌ ওইরগদনে। খুনুংলোনগী ৱাহন্থোক :- ইরমদমগী অখণ্ড অহৈশিং, অহল-লমনশিংনা মপাল কাংজৈবুংদা ফম্লগা মখোয়না ৱারী শানবা তাজহৌই। মখোয়না নীংই, খুন্নুংলোনগী ৱাহন্থোক ওইনা ফি অঙাংবা শেৎপা, শীজিন্নবা মীওই মখোয় তরেৎ লাক্তুনা নিংথৌ ওইরদৌবনে, মতমদো য়াম্না নুংঙাইগনি হায়না খন্নৈ। খৃ: কুম ১৯৫৭/৫৮গী মতম ওইবা য়াই। চপ চাবা চহীদি খঙহৌদ্রে। মতমসু শুরবনি হায়না অহলশিংদুনা হায়খি। মদুবু অচুম্বা ওইখ্রবরা? ফি অঙাংবা শেৎপা মীওইনা নিংথৌ ওইখ্রবরা? ইপা ইপুশিংগী পাউরৌ পাউতাক অসিদি পাউ ওইবা ৱারী ৱাখোঙবু তশেং তশেংনা হায়দোক্তবা লৌনম তৌনা অতোপ্পা থৌদোক অমদা ওইগদৌবা মালহনবা মওংদা হেক হেক হায়বা অসিবু পাউ-রৌ তৌবা হায়বদগী ‘পাউরৌ’ হায়রিবনে। হনচীং চীংমৈ কৌবা চীং অমা মমাঙলোমদা লৈবা চীং অদুদগী ফিঙাং শেৎপা মখোয় তরেৎনা কুমথরক্তনা লাক্লগা ইরমদমগী নিংথৌ ওইদা ওইরদৌবা মাল্লি হায়বসিনি পাউরৌ।

চীংউলোনগী ৱাহন্থোক :- ইরমদমসিগী লৈঙাকসি অমুক হন্না (হন) + মপূং মরৈ ফারক্লবা লৈবাক, পার্ট সী ওইরম্বদগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরক্লবা মতমবু (চীং) হায়বগী হন + চীং = (হনচীং) হায়বনি। মপূং মরৈ ফারবা (চীং) + লৈঙাক অসিগী মখা পোন্না (মৈ) হায়বগী চীং + মৈ = (চীংমৈ) হায়বনে। মপূং মরৈ ফারবা লৈঙাক্কী চৎনবী মতুংইন্না (ইন্না) ওইরকপবু (কুম্লকপা) হায়বগী (হনচীং চীংমৈ ইন্না কুম্লকপা) ওইরে। মতম অসিদা ওইরক্লিবা লৈঙাকসি শেঞ্জা থুমজাগী মরূ হুনবা হৌরক্লে, লৌনম তৌববু ফীরিংজি হায়নৈ। অদুনা (ফী) + ৱাঙাঙ শাঙাঙবু (ঙাঙ) + শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কী থবক তৌববুনা (শেৎপা) হায়বগী ফী + ঙাং + শেৎপা = ফীঙাং শেৎপা হায়বনে। অসুম্না শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা লৈঙাক্লিবসি লিশাংশিংনা তৎত লেপ্তুনা (তরেৎ) ওইরক্তুনা (কুম্লক্তুনা) লৈঙাকপশিংগী অনীংবা (নিং) থবক থৌরম (থৌ) পাঙথোক্লক্লিবা (ওইরিবা) অসিনি। তরেৎনা কুম্লক্তুনা নিংথৌ ওইবা মপূংদা = হনচীং চীংখৈ ইন্না কুম্লকপা ফীঙাং শেৎপা তরেৎ কুম্লক্তুনা নিংথৌ ওইরিবসে মতম শাংলক্লবনি মতোন লোম্লক্লবনি, কুম্বগী মতম নক্লক্লবনি হায়না থমজগে।

লমায় ৪৩দা হায়রি : কুমশিং তরেৎ মল্লগদনে। মমা, মপা, মচিন, মনাও, শাগৈ-ঙাই খঙদনা মাঙলগদনে। খুন্নুংলোনগী ৱাহন্থোক :- পাউরৌসি মৈদিংঙু পামহৈবা মতমগী মায়চৌশিংনা থন্বীরম্বা ওইবনা, ঔৱানা লান্দারকপা মতম মৈদিংঙু মারজিৎনা নিংথৌ ওইরিঙৈ খৃ: কুম ১৮১৪-১৯ অসিদা ঔৱানা ঙমখিবা মতাং অসিদা কুমশিং তরেৎ মল্লগদবা অসিবু পান্দম লাকশিনখ্রবরা? চহী তরেৎ খুন্তাক লান চেন্নরে, ঔৱানা পানখ্রে হায়নরে। মসিবু কদাই ফাওবা চুম্লবনো? ঔৱানা পানবসি চহী মঙা, থা ৫, নুমিৎ ১৫ পানখিবনি। খুদম, খৃ: কুম ১৮১৯, দিসেম্বর ২৯দা ঔৱানা পাল্লে। খৃ: কুম ১৮২০, দিসেম্বর ২৯দা চহী অমা ফারে। ১৮২১গী দিসেম্বর ২৯দা চহী ২; ১৮২২গী দিসেম্বর ২৯দা চহী ৩, ১৮২৩গী দিসেম্বর ২৯দা চহী ৪; ১৮২৪গী দিসেম্বর ২৯দা চহী ৫ ওইরে। খৃ: কুম ১৮২৫গী জুন ১৩দা গম্ভিরসিংহনা নিংথৌ ওইরে। খৃ: কুমগী থা ৫গা জুন থাগী নুমিৎ ১২ ফাওবা ঔৱানা পাল্লি, মসিদা খৃ: কুম ১৮১৯গী নুমিৎ ২৯, ৩০, ৩১ ওইবা নুমিৎ ৩ অসি তিনশিল্লগা নুমিৎ ১৫ ওইরে। মসি ঔৱানা পানখিবা মতমনি। চহী ৬ ফাওবা শুদে। অসিবু চহী ৭ খুন্তাকলে কমদৌনা হায়রিবনো? চুশিন্নবা ঙমদ্রবা চহীনি। মালেমগী মীৎমাংদা ইরমদমসি চহী পাবা হৈত্রিবা কাঙলূপ অমা ওইনা শক্তাক্লিবরা?

মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অসামগী চৈথারোল কুম্বাবদা চহী ৭ খুন্তাকপা হায়না ইরি। ইরমদমগী অখণ্ড অহৈশিংনসু চহী ৭ খুন্তাক লান চেন্নখি হায়না হেক হেক হায়রি। মসিমদি য়াম্না পেঞ্জদে। মখা তানা চহী ৭ খুন্তাকখি হায়হঞ্জনীংদে। অচুম্বমকনি ঔৱানা পানখিবা মতমদো ৱাবনা খম থেংখি হায়নৈ। মমা-মপা, মচিন-মনাও কয়া কয়া কায়নদুনা মীরমগী লমদা চেন্দুনা লৈখিবা কয়ানি। অদুবু চহী তরেৎতি ওইখিদে, ৱাহন্থোক চান্নবা ঙমদ্রে হায়না থমজগে।

চীংউলোনগী ৱাহন্থোক : - ইরমদমসি বৃটিশনা পাল্লবসু, ঔৱানা পাল্লবসু ইরমদমগী মীওইনা নিংথৌ ওইহন্দুনা মথং-মথং পাল্লকখি। অদুবু ইন্দিয়াদা তিনখিবা মতুং চহী খরদি নিংথৌশিংগী ইকায়খুম্নবা মতৌ উৎলম্মী। খৃ: কুম: ১৯৭১গী দিসেম্বর ২৮দগীদি ইরমদমগী নিংথৌ অমা ওইবগী মতৌ লৈহনখিদ্রে, মফম লৌথোকখ্রে। নিংথৌগী তোলোপ পীরম্বা ককখ্রে, মসি ইন্দিয়া পূম্বগী নিংথৌ ৬০০ কুম্বগীনি। অসিগী মতুং তারকপদি কুমশিং (চহী) লিশাংশিংনা তৎতনা লেপ্তুনা (তরেৎ) ইন্দিয়ানা থৌরাংখ্রে, লৈঙাকখ্রে। ইরমদমগী নিংথৌ অমা লৈবগী মথৌ তাখিদ্রে। অমনবা শীজিন্নবা য়াদ্রবা হায়বদো ওইখ্রে (মল্লবা ওইরে)। মসিবুনে কুমশিং তরেৎ মল্লগদবনে হায়বদো। অসিদগী মখা তারকপদা ওইরক্লিবা মওংদি ইরমদমগী লৈজরিবা ৱাঙাঙলোন, মীঙ্গৌ-থাকৌলোন, চৎনলোন, ফিশেংলোন, থৌগল্লোন, খুন্দালোন, শীনসুলোন পুম্নমক নাথৈরগা মীরমদগী মতৌ ঙাক্তা তম্লক্তুনা ইরমদমগী মমাঙঙৈগী মীঙ্গৌ থাকৌগী মহুত্তা ইংলিস য়াম্না ৱাঙাঙলোন্দা শীজিন্নরেদো। মীরমগী মতৌ তমদুনা মীংনা হাল্লগা য়ুম্নাক্লা কোন্না হায়নরে, ইনরে। মীঙ্গৌ থাকৌসু অচুম্বা থিনদ্রে, কৌনীং কৌনীংবা চুম্বা-চুমদবা পংকৌদা কৌনরে। ফিশেৎ চাকচাসু মীরমগী মতৌ তমদ্রবদি হিংবা ঙমদ্রবগুম অসুম অসুম হেনগৎলকই।

অসিগুম্বা মতম অসিবুনে মমা, মপা, মচিন, মনাও, শাগৈ-ঙাই খঙদ্রবা, মাঙলবা মতম ওইরে হায়না থমজগে। অসুম্না চীংউলোন, খুনুংলোন অনীগী খেন্নবা অসি খরা কূপ্না য়েংবীফম থোকই, হায়জনীংই। পাউরৌ পাউতাক্কী ফনা য়াম্না লৈরি। অনী, অহুমখক খুদম ওইনা নৈনজবনি। ●


LU~WANG FINANCE

/POST VACANCY

Applications are invited from the intended candidates on a plain paper with his/her own handwriting with complete bio-data and recent 2x passport photos for the following post.

| Sl. No | Name of the post | No. of post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Field Assistant (Male) | 10 | Class-12 pass | Rs.7000-15000/- |
| 2 | Accountant (Female) | 5 | B.com | Rs.6000-15000/- |
| 3 | Office Secretary (Female) | 10 | Graduation | Rs.6000-15000/- |

(Other allowance + Bonus)

- Details can be acquired from the Head Office during the business hours. i.e., 10.30am to 4.30pm.
- Last date of submission - 4th September 2019.

Sd/- Lu ~Wang finance
Manager
Khoyathong Road, Thangal Keithel,
Imphal West (Head Office) Opp. PARAGON HOTEL.

HL-P/3983/30-2,4/9